ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মে ০১, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০৩০শুবা মশীং

নাকোং ৱাই চিনবা
খোইদৌ শাওগৎপা ঈ-পাউ

নাকোং ৱাই চিনবা, খোইদৌ শাওগৎপা ঈ-পাউ হায়বসিবু করি পাউনো? করম্বা পাউবু নাকোং ৱাই চিনবা অমসুং খোইদৌ শাওগৎপা পাউনি হায়না লৌগদগে? হৌজিক্কী মণিপুরদবু ৱাহংসিগী পাউখুম শেৎতোক-ফাক্তোক্তুনা থিরুবগী মথৌ তাখিগদ্রা? মীনা শকপা অমসুং শেন্বা ওইরবসু নুংশিবা ঈশৈ অমদি শুর, উচেক-ৱায়া ওইরগনা কোকিল অমসুং তাম্নাগী খোঞ্জেলনচিংববুদি তাবদা নাকোং ৱাই চিন্নদে, খোইদৌসু শাওগৎনদে। মীনা ঙাঙবা অকাম্পেৎ, ফজদবা অমসুং অকনবা ৱাহে-ৱাতা, মচোক-মপাক নাইদবা ৱাঙাঙ, থকসি-খাসি য়াওদবা ৱাঙাং-শঙাঙ, ঈশৈ ওইরগনা শুর তাদবা, শব্দ চাদবা, উচেক-ৱায়াগী ওইরগনা ক্কাক অমসুং চরোইনা খোংবগুম্বসিদি ঈ-পাউমক নৎত্রবসু নাকোং ৱাই চিনবা খোঞ্জেলনি হায়না লৌগনি। ঈ-পাউ ওইরগনা ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবা ফম্বাক্তা সনাগী মেদলমক ফংলকই হায়দ্রবা ফাওবদা শরুক য়ানবা খল্লে, শরুক য়ারুরে হায়বা য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী নাকোং ৱাই চিল্লোইদবা অমসুং খোইদৌ শাওগৎলোইদৌবা ঈ-পাউসিদি অফবা পাউ ঙাক্তা ওইফম থোক্ত্রা? হোয়, মণিপুর পীকচরবসু মপানগী লৈবাক অমগা শাইজিন লোন্নে, ফূরুপ-কাঙলূপসু ৩৪/৩৫ য়ৌনা ওন্থোক্লা য়াম্না লৈবনিনা থোকহন্নীংদবা/পামদবা থৌদোক-ৱাথোকশিং পীক-থন্না থোকপনিনা নাকোং ৱাই চিনবা অমসুং খোইদৌ শাওগৎপা ঈ-পাউশিং তাবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মসিগুম্বা থৌদোকশিংসি য়াম্মী নৎত্রগা য়ামদে হায়বসিদি পুলিস ষ্টেসনশিং অমসুং অতোপ্পা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং অমদি মরোল নাইনা লৈরিবা ৱায়েলশঙশিংদা পন্দুনা লৈরক্লিবা কেসশিংসিনা ময়েক লারবা খুদমনি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী চিন-কুকি-মিজো নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবা অমসুং য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপ্পু তুম্না হাৎননবা তমথীরবা লান অমা চৎথরক্লি। লানসি খামজিন্দুনা মসিগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপীনবা লৈতবনা ঙসিসু লেপ্তুনা মখা শমথরক্লি। ইলেক্ট্রিক ৱায়র পুবা পোষ্ট ফাওবা বোম পোকখায়হন্দুনা থদৎলে, ইম্ফাল তম্না চঙলকপা ওইল টেঙ্কর, এল পি জি বুল্লেট ত্রকশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লে, দ্রাইভর ২ শোক্লে, নেসনল হায়ৱেগী থোং বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরে, অকনবা এটেক চৎথরক্তুনা সী আর পি এফকী পর্সনেল ২ হাৎলে, ২ শোকহল্লে, মফম কয়াদা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হন্দুনা খূৎ থোক্লখ্রে, মীশি-মীনা য়াওরে হায়বনচিংবা ঈ-পাউসিবু নুংঙাইবা, তাবদা হরাওবা, নাকোং ৱাই চিন্দবা, খোইদৌ শাওগৎতবা পাউনি হায়দুনা লৌগদৌরিব্রা? লান থোক্লিবনিনা অসিগুম্বসিদি খরা তাফম থোকই হায়দুনা নাকোং শীংজা য়ৈরবসু মণিপুরগী মীয়াম্না কয়াম কুইনা তাদুনা লৈখিগদগে? অসিগুম্বা পাউসি তাবা ঙম্বা ঙমদবগী ৱাফম নত্তনা হান্নদগী মখল কয়াগী ক্রাইমশিং থোক্লিঙৈদা লান অসি থোরকহনফম থোকপ্রা হায়বনি। ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন’ গী দিমান্দ তান্দুনা তমথীরবা লান অসি চৎথরক্লবসু লান তৌরক্লিবা মীওইশিংসি কনা-কনানো, কয়াম য়াম্না খূৎকন-পাঙ্গনবনো, দিমান্দসি মরম চাব্রা-চাদব্রা, পীফম থোকপ্রা-থোক্তব্রা হায়বসি হৌরকপদা নাখে শেংদোক্লহৌগদবা নৎত্রা? লানগী থৌদোকশিংনা নাকোং ৱাই চিনবা অমসুং খোইদৌ শাওগৎপা ঈ-পাউ ঙাক্তা তারক্কনি খঙদবা লৈঙাক্লোইশিংদি মীয়াম্না ‘ইকায়খুম্নজরিবশিং’ হায়না মীঙ্গৌনবদা মতিক চারিব্রা? মতিক চাদ্রবা মীয়ামগী মীহুৎশিংসিদি খোইশাওনরবা মীয়াম্না মখূৎ য়ান-য়ান্দুনা শাপ তৌরগা চৈরক্লিবসিবু তাশিন-উশিন্নদনা চৌক্রি কোল্লগা লৈথোকফম থোক্লিব্রা? লানসি হৌরকপগী মরম য়েলহৌমী মীতৈশিংনি হায়দুনা ফূরুপসিদা তেকচাক পূম্নমক নমশিনফম থোকপ্রা। চহী অমা চূপ্না চৎথহল্লক্লিবা লানসিদবু মণিপুরগী মপী-মপাশিং, মীয়ামগী মীহুৎ লৈঙাক্লোইশিং লৈরি হায়না লৌখো হায়ব্রা? মখোয়সিবু করম্বা ৱাহে-ৱাতা শীজিন্নদুনা করি হায়না লৈশি-লৈথোল্লগা মখোয়সে মীথিবোং মীতম্বাল ওইরে, মশাগী তৌগদবা মথৌ খঙজদ্রে অমসুং দেল্লীগী অঙম্বশিংগী য়াকা খক্তবু য়েংলগা থবক তৌরে হায়বসি খঙহনবা ঙমগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুম মণিপুরগী মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা থবক্লা পীফম থোক্লে।

ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ
ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯄ ꯏ-ꯄꯥꯎ

ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ, ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯄ ꯏ-ꯄꯥꯎ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤ ꯄꯥꯎꯅꯣ? ꯀꯔꯝꯕ ꯄꯥꯎꯕꯨ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯄ ꯄꯥꯎꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯒꯗꯒꯦ? ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯕꯨ ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯁꯦꯠꯇꯣꯛ-ꯐꯥꯛꯇꯣꯛꯇꯨꯅ ꯊꯤꯔꯨꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯤꯅ ꯁꯛꯄ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯟꯕ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯏꯁꯩ ꯑꯃꯗꯤ ꯁꯨꯔ, ꯎꯆꯦꯛ-ꯋꯥꯌꯥ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯀꯣꯀꯤꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯥꯝꯅꯥꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯅꯆꯤꯡꯕꯕꯨꯗꯤ ꯇꯥꯕꯗ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯅꯗꯦ, ꯈꯣꯏꯗꯧꯁꯨ ꯁꯥꯎꯒꯠꯅꯗꯦ꯫ ꯃꯤꯅ ꯉꯥꯡꯕ ꯑꯀꯥꯝꯄꯦꯠ, ꯐꯖꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯀꯅꯕ ꯋꯥꯍꯦ-ꯋꯥꯇꯥ, ꯃꯆꯣꯛ-ꯃꯄꯥꯛ ꯅꯥꯏꯗꯕ ꯋꯥꯉꯥꯡ, ꯊꯛꯁꯤ-ꯈꯥꯁꯤ ꯌꯥꯎꯗꯕ ꯋꯥꯉꯥꯡ-ꯁꯉꯥꯡ, ꯏꯁꯩ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯁꯨꯔ ꯇꯥꯗꯕ, ꯁꯕꯗ ꯆꯥꯗꯕ, ꯎꯆꯦꯛ-ꯋꯥꯌꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯀꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯔꯣꯏꯅ ꯈꯣꯡꯕꯒꯨꯝꯕꯁꯤꯗꯤ ꯏ-ꯄꯥꯎꯃꯛ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯒꯅꯤ꯫ ꯏ-ꯄꯥꯎ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯂꯦꯝꯒꯤ ꯊꯛꯇ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ ꯐꯝꯕꯥꯛꯇ ꯁꯅꯥꯒꯤ ꯃꯦꯗꯂꯃꯛ ꯐꯪꯂꯀꯏ ꯍꯥꯌꯗ꯭ꯔꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯟꯕ ꯈꯜꯂꯦ, ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯔꯨꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯌꯥꯎꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯜꯂꯣꯏꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯂꯣꯏꯗꯧꯕ ꯏ-ꯄꯥꯎꯁꯤꯗꯤ ꯑꯐꯕ ꯄꯥꯎ ꯉꯥꯛꯇ ꯑꯣꯏꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇ꯭ꯔꯥ? ꯍꯣꯌ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄꯤꯛꯆꯔꯕꯁꯨ ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯒ ꯁꯥꯏꯖꯤꯟ ꯂꯣꯟꯅꯦ, ꯐꯨꯔꯨꯞ-ꯀꯥꯡꯂꯨꯞꯁꯨ ꯳꯴/꯳꯵ ꯌꯧꯅ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯅ ꯂꯩꯕꯅꯤꯅ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕ/ꯄꯥꯝꯗꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ-ꯋꯥꯊꯣꯛꯁꯤꯡ ꯄꯤꯛ-ꯊꯟꯅ ꯊꯣꯛꯄꯅꯤꯅ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯄ ꯏ-ꯄꯥꯎꯁꯤꯡ ꯇꯥꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯁꯥꯅ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯌꯥꯝꯃꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒ ꯌꯥꯃꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯁ꯭ꯇꯦꯁꯟꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯣ ꯑꯦꯟꯐꯣꯔꯁꯤꯡ ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤꯁꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯔꯣꯜ ꯅꯥꯏꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯋꯥꯌꯦꯜꯁꯉꯁꯤꯡꯗ ꯄꯟꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕ ꯀꯦꯁꯁꯤꯡꯁꯤꯅ ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯔꯕ ꯈꯨꯗꯝꯅꯤ꯫

ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯆꯤꯟ-ꯀꯨꯀꯤ-ꯃꯤꯖꯣ ꯅꯥꯔꯀꯣ ꯇꯦꯔꯔꯤꯁ꯭ꯇꯁꯤꯡꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯃꯆꯦꯠ ꯇꯥꯅ ꯊꯨꯒꯥꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯇꯨꯝꯅ ꯍꯥꯠꯅꯅꯕ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯃ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯈꯥꯃꯖꯤꯟꯗꯨꯅ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯛꯄꯤꯅꯕ ꯂꯩꯇꯕꯅ ꯉꯁꯤꯁꯨ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅ ꯃꯈꯥ ꯁꯃꯊꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯏꯂꯦꯛꯇ꯭ꯔꯤꯛ ꯋꯥꯌꯔ ꯄꯨꯕ ꯄꯣꯁ꯭ꯠ ꯐꯥꯎꯕ ꯕꯣꯝ ꯄꯣꯛꯈꯥꯌꯍꯟꯗꯨꯅ ꯊꯗꯠꯂꯦ, ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯇꯝꯅ ꯆꯉꯂꯛꯄ ꯑꯣꯏꯜ ꯇꯦꯡꯀꯔ, ꯑꯦꯜ ꯄꯤ ꯖꯤ ꯕꯨꯂꯦꯠ ꯇ꯭ꯔꯀꯁꯤꯡꯗ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯦ, ꯗ꯭ꯔꯥꯏꯚꯔ ꯲ ꯁꯣꯛꯂꯦ, ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯍꯥꯌꯋꯦꯒꯤ ꯊꯣꯡ ꯕꯣꯝ ꯄꯣꯛꯈꯥꯌꯍꯟꯗꯨꯅ ꯊꯨꯒꯥꯏꯔꯦ, ꯑꯀꯅꯕ ꯑꯦꯇꯦꯛ ꯆꯠꯊꯔꯛꯇꯨꯅ ꯁꯤ ꯑꯥꯔ ꯄꯤ ꯑꯦꯐꯀꯤ ꯄꯔꯁꯅꯦꯜ ꯲ ꯍꯥꯠꯂꯦ, ꯲ ꯁꯣꯛꯍꯜꯂꯦ, ꯃꯐꯝ ꯀꯌꯥꯗ ꯕꯣꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯀꯥꯞꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯗꯒꯤ ꯍꯟꯗꯨꯅ ꯈꯨꯠ ꯊꯣꯛꯂꯛꯈ꯭ꯔꯦ, ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅ ꯌꯥꯎꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯆꯤꯡꯕ ꯏ-ꯄꯥꯎꯁꯤꯕꯨ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ, ꯇꯥꯕꯗ ꯍꯔꯥꯎꯕ, ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯗꯕ, ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯇꯕ ꯄꯥꯎꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯂꯧꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯂꯥꯟ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯅꯤꯅ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯁꯤꯗꯤ ꯈꯔꯥ ꯇꯥꯐꯝ ꯊꯣꯛꯀꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯁꯤꯡꯖꯥ ꯌꯩꯔꯕꯁꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯀꯌꯥꯝ ꯀꯨꯏꯅ ꯇꯥꯗꯨꯅ ꯂꯩꯈꯤꯒꯗꯒꯦ? ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯄꯥꯎꯁꯤ ꯇꯥꯕ ꯉꯝꯕ ꯉꯃꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯅꯇꯇꯨꯅ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯀ꯭ꯔꯥꯏꯃꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯂꯤꯉꯩꯗ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯊꯣꯔꯀꯍꯟꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ 'ꯁꯤꯄꯔꯦꯠ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ' ꯒꯤ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗ ꯇꯥꯟꯗꯨꯅ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯕꯁꯨ ꯂꯥꯟ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯤ ꯀꯅꯥ-ꯀꯅꯥꯅꯣ, ꯀꯌꯥꯝ ꯌꯥꯝꯅ ꯈꯨꯠꯀꯟ-ꯄꯥꯉꯒꯟꯕꯅꯣ, ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯁꯤ ꯃꯔꯝ ꯆꯥꯕ꯭ꯔꯥ-ꯆꯥꯗꯕ꯭ꯔꯥ, ꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ-ꯊꯣꯛꯇꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯍꯧꯔꯛꯄꯗ ꯅꯥꯈꯦ ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯂꯛꯍꯧꯒꯗꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡꯅ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯋꯥꯏ ꯆꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯁꯥꯎꯒꯠꯄ ꯏ-ꯄꯥꯎ ꯉꯥꯛꯇ ꯇꯥꯔꯛꯀꯅꯤ ꯈꯉꯗꯕ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ 'ꯏꯀꯥꯌꯈꯨꯝꯅꯖꯔꯤꯕꯁꯤꯡ' ꯍꯥꯌꯅ ꯃꯤꯉꯥꯏꯅꯕꯗ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯤ ꯈꯣꯏꯁꯥꯎꯅꯔꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯃꯈꯨꯠ ꯌꯥꯟ-ꯌꯥꯟꯗꯨꯅ ꯁꯥꯞ ꯇꯧꯔꯒ ꯆꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯇꯥꯁꯤꯟ-ꯎꯁꯤꯟꯅꯗꯅ ꯆꯧꯀ꯭ꯔꯤ ꯀꯣꯜꯂꯒ ꯂꯩꯊꯣꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯍꯧꯔꯛꯄꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯗ ꯇꯦꯛꯆꯥꯛ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯅꯃꯁꯤꯟꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ꯫ ꯆꯍꯤ ꯑꯃ ꯆꯨꯞꯄ ꯆꯠꯊꯍꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥꯁꯤꯡ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯧꯈꯣ ꯍꯥꯌꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯈꯣꯌꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕ ꯋꯥꯍꯦ-ꯋꯥꯇꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅ ꯀꯔꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯩꯁꯤ-ꯂꯩꯊꯣꯜꯂꯒ ꯃꯈꯣꯌꯁꯦ ꯃꯤꯊꯤꯕꯣꯡ ꯃꯤꯇꯝꯕꯥꯜ ꯑꯣꯏꯔꯦ, ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯇꯧꯒꯗꯕ ꯃꯊꯧ ꯈꯉꯖꯗ꯭ꯔꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯗꯦꯜꯂꯤꯒꯤ ꯑꯉꯥꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯌꯥꯀꯥ ꯈꯛꯇꯕꯨ ꯌꯦꯡꯂꯒ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯉꯍꯅꯕ ꯉꯃꯒꯗꯒꯦ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯨꯞꯁꯤꯡꯅ ꯊꯕꯛꯂ ꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯛꯂꯦ꯫

লাইরেল চাবগী কান্নবশিং : লাইরেল য়োকপসি অচৌবা শিনফম অমা ওইরকপা য়ারি

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

লাইরেল য়োক্লিবা ফার্ম অমগী শক্তম

মালেমদা হিংলিবা মীশিংগী চাদা ১২দি চাফম থোকপা চীঞ্জাক্কী চাং য়ৌনা চাবা ঙমদ্রি অদুগা চাগা (ইনকম) নেন্বা লৈবাকশিংদা একুট প্রোটিন দিফিসিএন্সিগী চাং ৱাংনা লৈ। ক্লাইমেট চেঞ্জগুম্বা অহোংবা কয়া থোরকপসিনা গ্লোবেল ফূদ সিক্যুরিটিগী ফীভমসি হেন্না ফৎচিনহল্লক্তে। লৌনগনবা লায়নাশিং, নেচরেল রিছোর্সকী চাং হন্থরকপা অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জনা লৌউ-শিংউগী লম্দা চৈথেং পীবসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। হৌজিক শা-ষণ, উচেক-ৱায়া অমসুং ঙানচিংবা য়োকপগী থবক অসিনা সষ্টেনেবিলিটি অমসুং/নৎত্রগা রিজিলিএন্সকী ক্রাইটেরিয়াবু মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্লক্তে, অদুনা অতোপ্পা পান্বৈশিং থিবগী মথৌ য়াম্নমক তারক্লি।

Ectotherm (কোল্ড-ব্লদেদ এনিমেল - অকোয়বদগী মৈশা লৌশিন্দুনা হিংবা জীব) শিংনা endotherm (ৱর্ম-ব্লদেদ এনিমেল- মশা মনুংদা থোকপা রিএক্সনশিংদগী থাদোরকপা মৈশানা হিংবা জীব) শিংদগী ৯০% হেন্না এনর্জি ইফিসিএন্ট ওই। লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা হায়রবদা, এনর্জিগী খেন্নবা অসিনা লিনগুম্বা এক্টোথর্মশিং য়োকপনা পোথোক হেন্না পুথোকপগী চাং হেল্লি। মরম অসিননি, এক্কাকলচর অমসুং ইন্সেক্ট ফার্মিং ঈন দষ্ট্রিশিংনা য়াম্না থুনা চাওখৎলক্লিবসি। ইন্সেক্টশিংগী মতৌগুম্না, লিনশিং অসিসু ট্রোপিকল কন্ত্রি কয়াদা প্রোটিনগী ফংফম অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি, অদুগা মখোয়বু চাবা হায়বসি মরু ওইরবা চীঞ্জাক, হীদাক-লাংথক অমসুং নাৎকী ভেল্যুশিংগা মরী লৈনৈ। হৌখিবা চহী কুনমুকসিগী মনুংদা, স্নেক ফার্মিংদা অনৌবা স্পেসিস, প্রদক্সন মোদেলশিং অমসুং মার্কেটশিং হাপচিল্লক্লি। খুদম ওইনা, স্নেক প্রদক্সন সিষ্টম খরদদি অপীকপা লম অমসুং ঈশিং খজিকখক্তমক মথৌ তাই, অদুগা লিন খরদি অকোয়বগী ফীভম্না হোংলকপগা চুশিননা হিংবা ঙম্মী। লিনগী শাদোং অসি য়েনগীগা মান্নদবা মওংদা প্রোটিন য়াম্না য়াওই, অদুবু সেচুরেটেদ ফেটকী চাংদি নেন্মী।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক খরদা লাইরেলবু ফার্মিং তৌদুনা য়োকই অমসুং য়াম্না পাম্না চানৈ। লাইরেল য়োকপা অমসুং মসিবু চাবগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী Macquarie University অমসুং University of Adelaide, য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি, সাউথ অফ্রিকাগী University of Witwatersrand অমসুং ভিএটনামিজ একাদেমি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী অপূনবা থিজিন লূপ অমনা থিজিনখি। থিজিনবগী থবক অসি লাইরেলগী ফার্ম অনীদা পাঙথোকখিবনি অদুগা মসিগী পাউদম অদুনা *সাইন্টিফিক রিপোর্টস* (মার্চ ১৪, ২০২৪) দা ফোঙদোরকখিবনি।

লাইরেলগী প্রোটিন মরাং কায়না য়াওরবা শাদোং

মক্কারি য়ুনিভর্সিটিগী রিছর্স ফেলো Dr. Dainel Natusch না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না লাইরেলসি মচা হেক ওল্লকপদগীনা চহী অমগী মনুংদা মপূং মরৈ ফাই, অদুগা চাবা য়াবগী তাঙ্কক য়ৌরকই। লিন মখল অসিগী শাদোংসি ঙৌই অমসুং প্রোটিন য়াম্না য়াওই। থিজিন লূপ অসিনা *Malayopython reticulatus* অমসুং *Python bivittatus* হায়রিবা লাইরেল অনীসিবু তোঙান-তোঙানবা মওংদা থোং-থাক্লগা চাবদা পীরিবা মহাও অমসুং কান্নবশিংদুগী মরমদা নৈনখি।

লিনশিংবু য়োকপা হায়বসি এসিয়াগী লৈবাক খরদদি লার্জ-স্কেলদা পাঙথোক্লরবসু, ম্যেনষ্ট্রিম এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্টশিংনদি পূক্নিং ইচঙ-চঙনদনা লাক্লি। লিনশিংনা হিংবদা ঈশিং খজিক খক্তমক মথৌ তাই, করিগুম্বা মতমদদি অয়ূক্কী মতমদা মখোয়গী মকুশিংদা পকহৌবা লিক্লাশিংগী মতেংখক্তনা ফাওবা হিংবা ঙম্মী হায়না Dr. Natusch না হায়রি। মখোয়না মচীঞ্জাক খজিক্তং চাই অদুগা চারিবশিংদুসু মহৈ-মরোংশিংবু মাঙহন তাকহল্লিবা উচিগুম্বা রোদেন্ট অমসুং পেষ্টশিংনি। লাইরেল য়োক্তুনা চাবা অসিনা গ্লোবেল ফূদ ইনসিক্যুরিটিদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

মক্কারি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর Rick Shine না ফোঙদোকপগী মতুংইন্নদি ওক য়োকপদগীদি লাইরেল য়োকপনা হেন্না শেন্মীৎলোন্দা কান্নবা পীগনি হায়রি। ওককুম্বা মখল অমসুং ঙানু-য়েনগুম্বা উচেকশিংদি ৱার্ম-ব্লদেদ ওইবনিনা মখোয়না চাশিনখ্রিবা চীঞ্জাক্তুদগী এনর্জি শুংঈ; অদুনা চাশিনখ্রিবা চীঞ্জাক্তুদগী ফংবা এনর্জিগী ৯০% মুক্তি মাঙখি। অদুবু লিনগুম্বা কোল্ড-ব্লদেদ ওইবা শাশিংদি নুংশাগুম্বদগী মৈশা ফংঈ। অদুনা মখোয়না চাশিনখ্রিবা চীঞ্জাক্তুগী অয়াম্বা শরুক্তি শাদোং অমসুং টিস্যুশিংদা ওন্থোকই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি লিনগুম্বা জীবশিং য়োকপসিনা ঙানু-য়েন, ওককুম্বা য়োকপদগী হেন্না মচীঞ্জাক হন্থনা পীবা য়াই হায়বসিনি।

লাইরেলশিংসি ৱাইল্ড ওইনা হিংবা মতমদদি কার্নিভরস (শাহিং চাবা) ওই, অদুবু য়োল্লকপা মতমদদি নুং-হৱাই অমসুং অতোপ্পা মনা-মশিংগী প্রোটিনশিংসু তুমহনবা ঙম্মী। অদুনা লৌউ-শিংউগী লেমহৌখাকশিংবু লাইরেলগী মচীঞ্জাক ওইনা পীজবদা শীজিন্নবা য়াই। শেম শারবা মতুংদা, লাইরেল অমগী হকচাংগী অরূম্বগী ৮২% মুক্তি কান্নবা পোথোকশিং খুদম ওইনা চাননবা মীট, শউনগী পোৎ চৈশিং শাননবা মকু অমসুং ফেট (স্নেক ওইল) অমসুং গোল ব্লেদর (স্নেক বাইল) ফংঈ। স্নেক ওইল অমসুং স্নেক বাইলদি হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

লাইরেলগুম্বা লিনশিং য়োকপগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা - মখোয়না চাশিনখ্রিবা চীঞ্জাক্কী অয়াম্বা শরুক তুমহনখিবা ঙম্মী, অদুনা মখোয়না থাদোরকপা অমাংবগী চাংসি ওককুম্বা মখলশিংনা থাদোরকপদগী য়াম্না হন্থে অদুগা মিথেনগুম্বা গ্রীনহাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাংসু নেন্মী। লাইরেল অমনা মশাগী অরূম্বা ইহন হেক হন্থহন্দনা, থা মরিদগী হেন্না চরা হেনবা ঙম্মী অমসুং মচীঞ্জাক হেক চাবা হৌরকপদগী থুনমক হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবসু ঙম্মী। অদুনা য়োকপদা মচীঞ্জাক্কী অচৌবা পোৎলূম অমা ওইদে। করিগুম্বা ফার্ম খরদদি পীক্লিবা লাইরেলশিংবু নক্লবা খুঙ্গংশিংদা লৈবা থবক্তগী পোথারবা মীশিংদা য়োকহল্লি অমসুং উচিগুম্বা রোদেন্ট অমসুং পেষ্টশিং পীজদুনা য়োনবা য়ারক্লবা মতমদা অমুক ফার্মশিংদুনা লৌশিল্লি। অসুম্না খুঙ্গংদা লৈবা মীশিংগী চাগাসু হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়না প্রোফেসর শাইননা হায়রি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়া নৎত্রগা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা লাইরেল য়োকপগী শিনফমসি তৌরক্কদ্রা হায়বগী মতাংদদি তাংদাংবা খঙদে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়রি। ●

করি থোক্লগবা ঙাইবা তাই

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা, শজিবু লাকয়েন তাইবা, কোংবা লৈথোং ফাৎপা, মীতৈ খুন্নাইগী মরক্তা শজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা কাঙবু, মীতৈ ইপা ইপুগী চৎন লিক্লম মাঙলুরবা কয়াবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবা ইচিল-ইনাও পূম্নমক্কী লাইনীং লীচৎ অমা চহী ৪০০ খরা হেনবা মতমদগী হিন্দু অমদি গৌড় ধর্ম্মদা লাইনীং লাইশোন, চৎন-পথাপ চৎলিবশিংগীসু অমা চৈরাওবা অনীমক পাঙথোকখ্রে। মসিদা নত্তনা ইস্লাম ধর্ম্ম চেৎনা থাগোন্নরিবা মুস্লমান অমদি মীতৈ পাঙল ইচিল ইনাও পূম্নমক্কী ইদুল ফিটর পাঙথোক্লগা থা অমা চূপ্না লাইনীং লীচৎ ঙাক্লা নুমিৎ মশক উরিঙৈদা ঈশিং ফাওবা থক্তনা ধর্ম্মগী চৎনবী ঙাক্লা লাইনীং পরৈ চেৎচবা পূম্নমকসু মীনা মীবু নুংশিবা মীওইবা খুন্নাই মরক্তা য়েংথীনবা, কল্লক মীহৌবা পূম্নমক থাদোক্লবদা য়ূম্ফম ওইবা ধর্ম্ম ঙাক্লা চৎলিবা মণিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংনি। অচুম্বা কনানো, অরানবা কনানো, ধর্ম্ম চেনবা কনা কনানো মশক খঙনা চৎলিবা মীতৈ পাঙলনি। নোংঙাল্লমদাই মতমদা মসজিদতগী লাউরকপা মৌলুবীগী অজানা খোন্থাং য়ৈনা পাউজেল্লি। মীনম শোরিবা, ওইদ-পাদ কয়াদগী লাপথোক্লা লৈনবা পাউজেল্লিবা মসজিদকী আজানি। মীতৈগী গৌড়গী চৈরাওবা অনীমক কুম অমগী মাগী মাগী ধর্ম্মগী লাইনীং লাইশোল তৌদুনা থোংলিবা-থাক্লিবা মথেল লুকোই কয়াদু লম-লাইদা থাদোক্লগা খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং, শাগৈ নাতৈশিংগী মফমদা থিন্দুনা হরাও হরাওনা চানবা কয়াদা ফজখ্রবা মীতৈ খুন্নাইগী মচৎনি।

এপ্রিল ৯ শজিবু নোংমা পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ লাইনীং লিচৎনবশিংগী চৈরাওবা, অমুক শজিবু থাগী হুমনি পানবা শগোলশেল নুমিৎ এপ্রিল ১১দনা ইদুল ফিটর অমদি এপ্রিল ১৩ শজিবু থাগী ৫নি পানবা থাংজ নুমিৎ অসিদনা গৌড় ধর্ম্মদা য়ূম্ফম ওইবা মীওইশিংগী চৈরাওবা পূম্নমক্কী অরোইবদা মার্চ ২৯ লমতাগী ১১নি পানবা ইরাই নুমিৎ খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মগী মীওই ক্রোর ক্রোরনা চহী অমগী মনুংদা খৌরাংনা ঙাইজবা গুদ ফ্রাইদে নুমিৎ লৈখ্রে। মীতৈ হিন্দু, খৃষ্টিয়ান, ইস্লাম ধর্ম্মশিং অসিগী তেল্লবা মতম মার্চ ২৯দগীনা এপ্রিল ১৩ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লখ্রে। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা ইন্দিয়াগী সেক্যুলরিজম চৎনীংবা ধর্ম্ম চৎপা য়াবা, ঐনা ঐনা অপাম্বা মীওইশিংদা মীখল মতমদা নীংতম্না ভোট পীজবা য়াবা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি কনাগীসু অকি তুজুংবা য়াওদনা পাঙথোক্লিবা মীখলনি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্দা ফজনা হায়রি - নঙগী ভোট অরোনবনি, নঙ-নঙনা পাম্বা মীরেপশিংদা কনাগী প্রেসর য়াওদনা ভোট পীবা সংবিধান্না পীরিবা রাইটনি। কুমজা ১৯৫২দা ইন্দিয়াগী অহানবা পাঙথোকপা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলগী মথং মথং মখা শমথরকপা অদু এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরিগী অমদি আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরিগী শরুক খরগী পাঙথোকখ্রে। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা এপ্রিল ১৯, ২০২৪দগী হৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কম্মিসননদি য়াম্না ফজনা পাঙথোক্লবা কনা কনাবু মোইথেম তৌদনা, অকি-অখং য়াওদনা কনাগুম্বা অমগী প্রেসরদা চত্তনা অপাম্বা মীহুৎশিং অদুদা ভোট পীবা মতমদা শান্তি ওইনা পীনবা হায়বনি। মীখলগী থবক তৌনবা মতমদা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মী কয়া শীজিন্নরি। সিক্যুরিটিশিং অমদি ভোটরশিং অদু লানবা চুম্বা খঙনবা কেন্দিদেটশিংগী এজেন্ট, অকি তুজুং পীরকপা খুদিংমক ঙাকথোক্লবা লো এনফোর্সমেন্ট কয়া পীরি। পোল্লিং ওফিসরশিং অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসর অমনা লুচিংবা টিমশিংনা পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী ওভর ওল রেস্পোন্সিবলনি। মতাং অসি য়ৌরকপদা মীয়াম্না হেক হেক শ্বর ফুনবা য়াওদবা নত্তে। তৌবা ঙম্বা শক্তি পায়বা অমা চঙলক্লগা মানা নীংবা, পাম্বা থবক পোল্লিং রুমদা পাঙথোকপদা করিসু হায়বা ঙমহন্দবা, সিক্যুরিটিসু মমিংদগী ওইনা কোনুংগী সনথোঙদা খিনবা নূঙগী মীতমগুম্না লৈবা য়াওদবা নত্তে। মতাং অসি য়ৌশিল্লকপদনি ভোটরশিংগী রাইট অদু কদায়ৱাইদা চৎখ্রবগে হায়রিবসি। শক্তি পায়বা অকন অরিং শীংবা থোরক্লবগী লম্বী অসি কনানা তুংদা লেপ্লিবনো হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। আইনবু মখূৎতা পায়রগা শীজিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। করিগী রি-পোল, করি তৌরুবগী থোরক্লিবনো, মীনা য়াবা য়াদবা ঐগী ঐগী পার্টিগী মীখল থেংনরিবা মীরেপ মায় পাক্তবা য়াদে, মীয়াম্না য়াবা য়াদবা, মীয়াম্না পাম্বা পামদবা, লৈবাক মীয়ামগী ৱাকৎ তাবা ঙম্বা ঙমদবা, লৈবাক ঙাকপা হৈগেরা হৈরোইরা অঙম্বা শক্তি শীজিন্নদুনা মীহুৎ ওইহৌদবা য়াদে সিনি।

খরনা পোল্লিং ২১গী ক্লেম, খরনা পোল্লিং ৩০ হেনবগী ক্লেম তৌরবসু ১১দি এপ্রিল ২২, ২০২৪দা পাঙথোকখ্রে শান্তি ওইখি। অসিগুম্না এপ্রিল ১৯দসু পাঙথোক্লবদুবু অমুক রি-পোল তৌগদ্রা হায়নবা সোসল মীদিয়াদা উখি, তাখি। শক্তি পায়বা কনানা মীবু উশিৎ থৌওইদনা ঙাঙবা শকপসু য়াওখি। নুমিদাং পুং ৯/১০ তারবা ফাওবা থোঙ লোনশিল্লগা মনুংদা কনাসু চঙহন্দনা থম্বগী মপান্দা লাউ-খোংবা, ভোট থাদগে চঙবদা থাদখ্রে হায়বগী ৱাথোক, কেন্দিদেটশিংগী ইন্নর এজেন্ট ফম্বা য়ারোই হায়দুনা কিহন খংহনবা কয়া তাখিবা লৈখ্রে। মূক্লিবা, কারন তৌরিবা, নমথাক তৌরিবা, গুন্দা তৌরিবা খোঙলোইশিংদুবু করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱাখল খনবা ঙমদবা মখোয় মখোয়বু খোঙবী লাম্মী ওইনা শীজিন্নরিবা অসিবু করম্না ইন্দিয়াগী বোনাফাইদ সিটিজন অমনি হায়না শিংথাগদ্রা? ঙসিনা অমা ঙাঙ, হয়েংনা অমা তৌবা অসিবু করম্না মখোয়বু ইকায়খুম্নগদৌরিবনো। অকনবা অচুম্বা শকপা, পুক কংবনা হকচাং ফবা শকপা মতমদো নোংমা লোইখিনি কাউগনু মীওইবা। সদাম হুসেন, বীরাপান, প্রভাকর, জিয়াউল হক পূম্নমক মতগী ঈরোলনুংদা ঙম্না লুপখিবনি। ঐনা ফরি, ঐনা শক্তি পায়রি, ঐগী তুংদা অরানবা কয়া তৌরুরবসু লেপ্পীনবা লৈরি হায়দুনা মীনা মীবু ইকায়খুম্নদবা অফবা খোঙথাং নত্তে।

ইন্দিয়াগী মতম অমগী নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৫৬কী লৈবাক মচা-মচাদু নেহরু, গান্ধী মতমদুগী নীংখা তম্বা ইন্দিয়া অমা ওইনবা হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদুনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা শেম্নবা হোৎনবা মতমদা লৌখিবা থৌদাংশিংদুনা দেমোক্রেসিগী মখাদা মীখল মীরেপ পুথোক্লগা লৈবাক ঙাকপগী চৎন-কাঙলোন ওইরকখিবনি।

(মখা লমায় ৫দা...)

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১৬১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ৱাকয়ৈ হিদোং খোঙলোই ওইনা। ময়ুম খুমল লমদম মাইকৈ পাংনা। নোংয়াই খুমল শেললৈপাক য়ৌনবা চৎখিবা। মদাইরেম অথোইবা থোঙলেপনা চৎতনবা হায়জখিয়ে। মদুদসু নৎতনা মনাই থোঙলেল য়াইচমবা। তীলপাল কাইতোংবা। মথীঙ খাংখাবা। তুশাং হিনামবা। থোংতু ৱাইরোকপা। পাৎয়াই চামবনাচিংবনা। ৱাকয়ৈ তোংচেং হিবু ফৈনা লামনা থৎনা। খোঙলেংবীদনবা খামলময়ে। লাইরেল মৈদিংঙু ইবুংঙো ও। নোংয়াই খুমল লমদা নহাকনা শৈদাংবা। অদোল নোংয়াই লমদা। য়ুমদাবা নহাক নুংঙাইরোইয়ে। হায়না চৎখিদনবা হায়জখিয়ে। তয়ুম অচালবশিং ও। নখোয়দি তাবা খঙবা লৈতরিবরা। নোংতোল তেংমাইথীনবা। মহাককী খুজিল থৌরাংদগী। ইশানৌ ইনাও হেমদৌ লোইয়মবনা। কংলা সনা ফমবালকা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯱꯶꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯋꯥꯀꯌꯩ ꯍꯤꯗꯣꯡ ꯈꯣꯡꯂꯣꯏ ꯑꯣꯏꯅ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯝꯗꯝ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯄꯥꯡꯅ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯁꯦꯜꯂꯩꯄꯥꯛ ꯌꯧꯅꯕ ꯆꯠꯈꯤꯕ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯑꯊꯣꯏꯕ ꯊꯣꯡꯂꯦꯞꯅ ꯆꯠꯇꯅꯕ ꯍꯥꯌꯖꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯃꯗꯨꯗꯁꯨ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯅꯥꯏ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯌꯥꯏꯆꯝꯕ꯫ ꯇꯤꯜꯄꯥꯜ ꯀꯥꯏꯇꯣꯡꯕ꯫ ꯃꯊꯤꯡ ꯈꯥꯡꯈꯥꯕ꯫ ꯇꯨꯁꯥꯡ ꯍꯤꯅꯥꯝꯕ꯫ ꯊꯣꯡꯇꯨ ꯋꯥꯏꯔꯣꯛꯄ꯫ ꯄꯥꯠꯌꯥꯏ ꯆꯥꯝꯕꯅꯥꯆꯤꯡꯕꯅ꯫ ꯋꯥꯀꯌꯩ ꯇꯣꯡꯆꯦꯡ ꯍꯤꯕꯨ ꯐꯩꯅ ꯂꯥꯝꯅ ꯊꯠꯅ꯫ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯕꯤꯗꯅꯕ ꯈꯥꯝꯂꯃꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯣ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯝꯗ ꯅꯍꯥꯛꯅ ꯁꯩꯗꯥꯡꯕ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯂꯝꯗ꯫ ꯌꯨꯝꯗꯥꯕ ꯅꯍꯥꯛ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯣꯏꯌꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯅ ꯆꯠꯈꯤꯗꯅꯕ ꯍꯥꯌꯖꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯇꯌꯨꯝ ꯑꯆꯥꯂꯕꯁꯤꯡ ꯑꯣ꯫ ꯅꯈꯣꯌꯗꯤ ꯇꯥꯕ ꯈꯉꯕ ꯂꯩꯇꯔꯤꯕꯔꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯇꯣꯜ ꯇꯦꯡꯃꯥꯏꯊꯤꯅꯕ꯫ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯈꯨꯖꯤꯜ ꯊꯧꯔꯥꯡꯗꯒꯤ꯫ ꯏꯁꯥꯅꯧ ꯏꯅꯥꯎ ꯍꯦꯝꯗꯧ ꯂꯣꯏꯌꯃꯕꯅ꯫ ꯀꯪꯂ ꯁꯅ ꯐꯝꯕꯥꯜꯀꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।